# নেসনেল এসেমব্লিগী দিপ্যুটি স্পিকরনা পীখিবা রুল্লিং লাল্লি: পাকিস্টানগী চীফ জষ্টিস

ইস্লামাবাদ, এপ্রিল ৭ (এজেন্সী):

পাকিস্টানগী প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খানগী মায়োক্তা পুখৎখিবা নো কনফিদেন্স মোসন দিসমিস তৌখিবা নেসনেল এসেমব্লিগী দিপ্যুটি স্পিকর কাসিম খান সুরিনা এপ্রিল ৪ দা পীখিবা রুল্লিং অদু লাল্লি হায়না চীফ জষ্টিস ওফ পাকিস্টান (সিজেপি) উমার অতা বান্দিয়ালনা শগোলশেল নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে হায়না দোনগী রিপোর্টনা হায়রি।



হৌজিক লৈরিবা থাঙ্গৈশেংবা ৱাহংদি মথং করি লাক্কদগে হায়বসিনি হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, মদুদি হৌজিক লৈরিবা ফিভম অসিদা পিএমএল-এনগী কাউন্সেল অমসুং এটোর্নি জেনরেল ওফ পাকিস্টান (এজিপি) খাদিল জ াৱেদ খাননা কোর্টপু করম্না প্রোসিদ তৌগদগে হায়বগী মতাংদা গাইদ তৌগনি।

ঐখোয়না লৈবাক্কী ইন্টরেষ্ট য়েংবা মথৌ তাই। কোর্টনা ভার্দিক অমা পীরগনি হায়না বান্দিয়ালনা ফোঙদোকখি।

দিপ্যুটি স্পিকরগী রুল্লিং অমসুং মতুং তারকপদা প্রাইম মিনিষ্টরগী পাউতাক মতুং ইন্না প্রসিদেন্টনা নেসনেল এসেমব্লি মুথৎখিবা খোঙথাং লোনা য়াই নত্ত্রগা য়াফম থোক্তে হায়বগা মরী লৈনবা সু মোটু কেস সিজেপি বান্দিয়ালনা লুচিংবা অমসুং জষ্টিস ইজাজুল অহসন, জ ষ্টিস মারম অল ম্যানখেল, জষ্টিস মুনিব অখতর অমসুং জষ্টিস মাণ্ডে দাখেল য়াওবা মেম্বর মঙাগী বেঞ্চ অমনা হিয়ারিং চথরকপদা মহাক্না ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

ইরোই লোইনা আর্গুমেন্ট পীখিবা এজিপিনা হন্দক্তা নেসনেল সেক্যুরিটি কম্মিটিগী মীফমদা খন্নখিবা অকুপ্পশিং মহাক্না ওপন কোর্ট অমদা পীবা ঙম্লোই হায়না কোর্টতা খঙহন্দুনা মহাক্কী আর্গুমেন্ট হৌখি।

মহাক্না হায়খি, মদুদি কনামত্তগী লোয়েলটিগী মতাংদা চিংনবা উৎতবা ওর্দর অমা কোর্টনা ইস্যু তৌগদবনি। এজিপিনা মহাক্কী আর্গুমেন্টদা মখা তানা হায়খি, মদুদি হাউসতা প্রাইম মিনিষ্টরনা খ্বাইদগী মরু ওই অমসুং মহাক নেসনেল এসেমব্লি মুথৎপা ঙম্বগী পৱার পাই। এসেমব্লি মুথৎপগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টরনা মরম পীবগী মথৌ তাদে।

প্রাইম মিনিষ্টরগী পাউতাক্তা প্রসিদেন্টনা পুং ৪৮ গী মনুংদা ৱারেপ অমা লৌদবা তারবদি এসেমব্লি মুথৎপগী ফিভমদা লৈগনি হায়নসু মহাক্না কোর্টতা থমখি।

নো কনফিদেন্স মোসনগী মতাংদা ভোট পীবা নত্ত্রগা পীদবা হায়বসি লো মেকর অমগী ফন্দামেন্টেল রাইট নত্তে হায়নসু মহাক্না য়েৎখি।

চৈরকসিদা পাকিস্টানগী প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খানগী মায়োক্তা পুখৎখিবা নো কনফিদেন্স রিজে াল্যুসনদা মপানদগী লৌতুনবা য়াওই হায়বা ৱাফমগী মতাংদা মিলিটরি লিদরশিপকী ফিরেপ শেংদোরক্লবা ওপোজিসন পাকিস্টান দিমোক্রেটিক মুভমেন্ট (পিদিএম) না অমুক হন্না তকশিনখ্রে অমসুং মিলিটরি লিদরশিপনা হিরম অসিগী মতাংদা তুমিন্না লৈশিনবা অসিনি। মখোয় ন্যুট্রেল ওই হায়বা ক্লেম অসি চিংননিংঙাই ওই হায়খ্রে।

পিদিএমগী মীফম অমা লোইরবা মতুংদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙলদুনা ওপোজিসন এল্লাইএন্স অসিগী প্রসিদেন্ট মৌলানা ফস্লুর রাহমন্না হায়খি, মদুদি করিগুম্বা সুপ্রিম কোর্টনা মখোয়গী মায়োক্তা ভর্দিক অমা পীখিবা ওইরবদি মখোয় মীয়ামগী কোর্টতা চৎপগী রাইট লৈ।

মৌলানানা মখা তানা হায়, মহাক অমদি পিএমএল-এনগী প্রসিদেন্ট সেহবাস সারিফতা নত্তনা পিপিপিগী চিয়ার বিলাৱাল ভুতো-জর্দারিনসু মার্চ ৩১ দা পাঙথোকখিবা নেসনেল সেক্যুরিটি কম্মিটি (এনএসসি) গী মীফমদা শরুক য়াখিবা মিলিটরি ইষ্টাব্লিসমেন্টগী রিপ্রজেন্টেটিবশিংদা মখোয়গী ফিরেপ ফোঙনা খঙহল্লক্ল বা তকশিনবা লৈখ্রে।

দিপ্যুটি স্পিকরগী কন্সটিট্যুসনগী মায়োক্তা ওইবা রুল্লিং অদু মখোয়না কৈদৌঙৈদসু য়ারোইহায়না পিদিএমগী চীফ অসিনা ফোঙদোকখি।

রসিয়া-য়ুক্রেন লান

# মখা তানা ৱারী শান্নরি, রসিয়াদা য়ুএসনা অয়াম্বা অহেনবা অথিংবশিং থমখ্রে

বৈজিং, এপ্রিল ৭ (এজেন্সী):

রসিয়া অমসুং য়ুক্রেনগী কনফ্লিক্টকী মতাংদা ৱাতেমদুনা মরা তপ্পা সোলুসন অমা পুথোক্লবা লেপ্পুনা হোৎনবা লৈরবসু লৈবাক অনীগী লান শগোলশেল নুমিত্তসু লান মখা চথ্খি।



য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ক্রেমলিনগী স্পোক্সমেন দমিট্রি প্রেস্কোবনা ফোঙদোকখিবদা রসিয়া অমসুং য়ুক্রেনগা নিগোসিএসন মখা চথ্রি। তৌইগুম্বসুং ৱারোইশিন অমা লাক্কদবা ৱাৎলি।

মোস্কোগী অপাম্বদি নিগো-সিএসনদা কিভনা হেন্না থৱায় য়াওবা উৎলকপা অদুনি। য়ুমশকৈশগী অঙনবদা মহাক্না ফ্রান্সকী এলসিআই ব্রোদকাষ্টরদা ফোঙদোকখিবা ৱাফম পল্লদুনা এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়, কিভ রিজনদগী রসিয়ন ট্রুপশিং ৱিদ্রো তৌরিবসি মরা তপ্পা ফিভম লাকহন্নবগী ৱারী শান্নবদা হেন্না খুদোংচাহন্নবনি।

টর্কিগী হাৱারটুক টেলিভিজন চেন্নেলনা লৌখিবা ইন্টরভিয়ু অমদা য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্ট জেলেন্সকিনা হায়খি, মদুদি নিগোসিএসন প্রোসেস খুমাঙ চাওশিলহন্নবগীদমক ঐখোয়না অপীকপা খুদোংচাবশিংগী কান্নবশিং মাঙহল্লোইদবনি। অসিগুম্বা খুদোংচাবশিং অসি লৌদুনা ঐখোয়না মখা তানা নিগোসিএসন চথ্দবা তারবদি লান অসি লোইশিনবদা ৱানা থোক্কনি।

ৱারী শান্নবদা টর্কি য়াওনা অতৈ লৈবাকশিংনা ৱাতেম্বগী ৱাফম অসি মরু ওই হায়না জেলেন্সকিনা ফোঙদোকখি।

য়ুমশকৈশা নুমিৎকী ষ্টেটমেন্ট অমদা প্রসিদেন্সিএল প্রেস সার্ভিসনা হায়খি, মদুদি য়ুক্রেননা রসিয়াদা চথরিবা লল্লোন ইতিক্কী থবক পুন্ন মক ওফিসিএল ওইনা লেপ্পনবা প্রসিদেন্টনা গভর্নমেন্টদা খঙহনখ্রে।

তশেংনমক রসিয়া অমসুং য়ুক্রেনগী মরক্তা চথনরকপা ইম্পোর্ট অমসুং এক্সপোর্ট ওপরেসনশিং লৈবাক অনীগী কনফ্লিক্ট হৌখিবদগী মপুং ফানা লেপখি হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুদা পনখি। য়ুমশকৈশা নুমিত্তা য়ুএসনা রসিয়াদা অহেনবা অথিংবশিং থমখি।

য়ুক্রেনদা মিলিটরি ওপরেসন চথবগীদমক্তা থল্লিবা অনৌবা অথিংবশিং অদুগী টার্গেটতি রসিয়াবু মরু ওইবা ফাইনান্সিএল ইন্সটিট্যুসনশিং অমসুং রসিয়ন প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিনগী মচানুপী অনীনি। অথিংবগী থৌরাংশিংগী অকুপ্পা য়াওবা হ্বাইট হাউসকী ফেক্ট সিট অমগী মতুং ইন্না মফম কয়াদা লৈরিবা অমেরিকানশিংনা রসিয়াদা ইনৌ নৌনা ইনভেষ্ট তৌবদা অথিংবা থমগদবা একজিক্যুটিব ওর্দর অমা য়ুএস প্রসিদেন্ট জো বাইদেন্না সাইন তৌরগনি।

# সাউথ কোরিয়াগী প্রসিদেন্ট-ইলেক্ট য়ুন অনৌবা ওফিসতগী থবক তৌবা হৌরগনি

সিওল, এপ্রিল ৭ (এজেন্সী):

মীখলদা মায় পাক্তুনা সাউথ কোরিয়াগী প্রসিদেন্ট ওইরগদবা য়ুন সুক য়ো মে ১০ দগী মহাক্কী অনৌবা ওফিসতগী থবক তৌবা হৌরগনি হায়না শগোশেল নুমিত্তা ট্রান্জিসন টিমগী ওফিসিএল অমনা ফোঙদোরক্লি।



মহাকনুমিৎ অসিদা ৱাশক লৌবগা লোয়ননা দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী বিল্ডিং অসিদগী থবক তৌবা হৌগদৌরিবনি। মমাঙগী এদমিনিষ্ট্রেসন্না অথিংবা পীবদগী প্রসিদেন্সিএল ওফিস অদু চোংৱাদেদগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী কম্পাউন্দদা হোংদোকপগী থৌরাং চয়োল কয়া থিন্থরকপদগী য়ুননা মহাক্কী টার্ম কদায়দগী হৌগদগে হায়বগী মতাংদা মীয়াম্না কন্না ঙাঙনা শন্নরকখিবনি।

য়ুমশকৈশ নুমিত্তা মুন জে-উননা ওর্দর তৌদুনা পাঙথোক্কদবা এক্সট্রা ওর্দিনরি সেসন অমদা মথৌ তাবা ফন্দশিং কেবিনেটনা এপ্রুফ তৌবগা লোয়ননা ওফিস হোংবগী থবক অদু য়াঙশিল্লবা য়াই হায়না য়োনহাপ ন্যুজ এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়রি।

ট্রান্জিসন টিমগী ওফিসিএল অদুনা পাউমীশিংদা হায়খি, মদুদি অনৌবা গভর্নমেন্টনা ওফিস পায়বা হৌগদবা মে ১০ দা প্রসিদেন্ট য়ুন সুক-য়ুলনা সেক্যুরিটিগী অহোবা অমত্তা লৈহন্দনা মহাক্কী প্রসিদেন্সিএল থৌদাংশিং পাঙথোকপা হৌগনি।

ওফিসিএল অসিনা মখা তানা হায়খি, মদুদি ওফিস হোংবগী ৱাফম অসিদা খন্নগদবা মরু ওইবা পোইন্ট অনী লৈ। পোইন্ট অমদি ক্রাইসিস মেনেজমেন্ট সেন্টর মপুং ফাহন্দুনা সেক্যুরিটিদা অহোবা অমত্তা লৈহন্দবা অসিনি অমসুং অতোপ্পা পোইন্ট অদুনা হৌজিক্তি দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী বিল্ডিং ওইরিবা অসিদা অনৌবা প্রসিদেন্টনা মহাক্কী অনৌবা ওফিস ওইদুনা মথৌ পাঙথোকপা হৌরগদ্রা হায়বসিনি।

মে ১০ ফাওবগী মনুংদা কন্দিসন অনীমক থুংহনবা ঙমগনি হায়না ট্রান্জিসন টিম্না থাজরি। প্রসিদেন্টগী ওফিস লৈগদবা বিল্ডিং অদুগী মখা থংবা ফ্লোরশিং থা অসিগী অথেংবা শরুক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা সাউথ কোরিয়া-য়ুএস মিলিটরি এক্সর্সাইজ শিং লোইরবা মতুংদা থাদোক্কদবা ওইবনা ওফিসকী চপ চাবা মফম অদু লেপ্পদা মতমগী মতুং ইন্না অহোংবা খরা লাকপা য়াই।

দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী পোৎশক খুদিংমক মে ১০ ফাওবগী মনুংদা হৌজিক লৈরিবা বিল্ডিং অসি থাদোক্লোই। থাদোকপগী থবক অসি তাঙ্কক নাইনা অমসুং মচেৎ মকায় অমা পাঙথোক্কনি হায়না ওফিসিএল অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

চৈরকসিদা নোর্থ কোরিয়াগী ন্যুক্লিয়র অমসুং মিসাইল থ্রেটশিংগী মায়োক্তা দিটরেন্স হেন্না মপাঙ্গল লৈহল্লগনি হায়না প্রসিদেন্ট-ইলেক্ট য়ুন সুক য়িওলনা শগোলশেল নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

# সিজফায়রগী ৱারী বুদাপেষ্টতা শান্নবা হঙ্গেরিগী প্রাইম মিনিষ্টরনা প্রপোজ তৌখ্রে

বুদাপেষ্ট, এপ্রিল ৭ (এজেন্সী):

রসিয়া অমসুং য়ুক্রেনগী মরক্তা খুদক্তা সিজফায়র অমা লাকহন্নবা হোৎনবদা খুমাঙ চাওশিলহন্নবা বুদাপেষ্টতা পাঙথোকপা সম্মিট মীটিংদা শরুক য়াননবা হঙ্গেরিগী প্রাইম মিনিষ্টর ভিক্তর ওর্বানননা রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিনদা ইনভাইট তৌখ্রে।




এপ্রিল ৩ গী জেনরেল ইলেক্সনদা চাওনা মায় পাক্লবা মতুং য়ুমশকৈশ নুমিত্তা ইন্টরনেসনেল প্রেস কনফরেন্স অমদা ৱা ঙাঙলদুনা ওর্বানননা হায়খি, মদুদি প্রসিদেন্ট পুটিনগী মায়কৈদগী খুদক্তা সিজ ফায়র লাউথোরক্লবগী ৱাফম ঐহাক্না হৌদোকখি।

থংন-থংননা মরিশুবা টার্ম অমগসু পায়রগদবা ওর্বানননা হায়খি, মদুদি মহাক্না পুটিনগা ফোনদা ৱারী শান্নখি। য়ুমশকৈশ নুমিত্তা পুটিননা মঙোন্দা ফোন তৌরক্তুনা মীখলদা মায় পাকপগী হরাও তয়াম্বা ফোঙদোরকখি।

ৱারী শান্নবা অদুগী তাঞ্জা লৌরগা ঐহাক্না প্রসিদেন্ট পুটিন, য়ুক্রেন অমসুং ফ্রান্সকী প্রসিদেন্টশিং অমদি জর্মন চান্সেল্লরনা বুদাপেষ্টতা লাক্তুনা সম্মিট মীফম অদুদা শরুক য়াননবা ইনভাইট তৌখি। মীফম অসি থুরিবমখৈ ফগনি হায়না ওর্বাননা মখা তানা ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়খি, মদুদি বুদাপেষ্টতা পাঙথোক্কদৌরিবা সম্মিট অসিগী পান্দমদি য়ুক্রেনদা খুদক্তা সিজ ফায়র পুরকহনবা অসিনি। মখোয়না পান্দম অমদা বুদাপেষ্টতা ৱারী শান্নগদবনি।

পান্দম অদুদি পিছকী নিগোসিএসনগী ৱাফম নত্তে। মসিদি মতম হেন্না চঙগনি। তৌইগুম্বসুং খুদক্তা সিজ ফায়র পুরক্লবগী এগ্রিমেন্ট অমা পুরকপা অসিনা সম্মিট অদুগী মরু ওইবা পান্দম ওইগনি।

য়ুক্রেনগী ট্রান্সকারপেথিয়া রিজনদা ইথনিক হঙ্গেরিয়ান ২০০,০০০ হেন্না লৈবনা মরম ওইদুনা পিছকী ৱাফম অসিদা হঙ্গেরিনা অদুক্কী মতিক থৱায় য়াওরিবনি অমসুং ইথনিক হঙ্গেরিয়ানশিং অদুগীদমক্তা খনবা হায়বসি বুদাপেষ্টকী মরু ওইবা থৌদাংনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

# ক্লাইমেট ক্রাইসিসনা মরম ওইদুনা চহী খুদিংগী ৱেষ্টর্ন পেসিফিকতা মীওই মিলিয়ন ৩.৫ শিরি: দব্লিয়ু ঐচ ও

ভিএনা, এপ্রিল ৭ (এজেন্সী):

ইনভাইরনমেন্টগা মরী লৈনবা মরমশিংদগী চহী খুদিংগী নোংচুপ থংবা পেসিফিক্তা মীওই মিলিয়ন ৩.৫ রোম শি হায়বসি ৱার্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও) না শগোলশেল নুমিত্তা রিলিজ তৌখিবা দেটানা উৎখ্রে।



ভর্চুয়েল প্রেস কনফরেন্স অমদা দব্লিয়ুঐচওগী ৱেষ্টর্ন পেসিফিক্কী রিজ নেল দিরেক্তর টাকেসি কসাইনা হায়খি, ইকং থোকপা, হিট ৱেভ, টাইফুন, ঈশিং ঈচাও অমসুং লাম্মৈ চাকপগুম্বা কা হেনবা ৱেদরগী থৌদোকশিং অসিনা লমদম অদুগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা মীয়ামগী হেল্থতা শোকহল্লি।

দব্লিয়ু ঐচ ওগী দেটা অদুগী মতুং ইন্না ৱেষ্টর্ন পেসিফিক্তা ইয়র পোলুসন্না মরম ওইদুনা সেকেন্দ ১৪ খুদিংগী মীওই অমা শি। সমুদ্রগী ঈমায় ৱাংখৎলকপা অমসুং ট্রোপিকেল নোংলৈ নুংশিৎশিং শিৎপা হেনগৎলকপা অসিনা ফ্রেস ৱাটর ফঙবগী চাং হন্থহল্লি, বিচশিং অমসুং রিফশিংগী মহৌশাগী ফিভম শোকহনবগা লোয়ননা পেসিফিক ইথৎশিংদা লৈরিবা মীয়ামগী পুন্সি অমসুং মখোয়গী হিংনবগী লম্বীশিংদা চাওনা অকিবা পী।

দেঙ্গি অমসুং মালেরিয়াগুম্বা কাঙনা শন্দোকপা লায়নাশিং, ফুদ অমসুং সেফ দ্রিঙ্কিং ৱাটরগী ইনসেক্যুরিটি অমদি লেন্দ দিগ্রেদেসনগী ফিভম হেনগৎলকপগা লোয়ননা কা হেনবা ৱেদরগী থৌদোকশিং অসিনা হেল্থ সিষ্টেমশিংদা মখা তানা অকায়বা পীগনি অমসুং খ্বাইদগী রিস্ক ৱাংবশিংদা চাওনা চৈথেং নঙহনগনি।

হেল্থ এন্দ ইনভাইরনমেন্ট কৌবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা রিলিজ তৌখিবা চেরোল অমদা দব্লিয়ু ঐচ ওনা হায়খি, মদুদি ঙসিদি খ্বাইদগী লুবা সমুদ্রশিংগী খোঙনুং অমসুং খ্বাইদগী ৱাংবা চীংশিংদা প্লাষ্টিক্কী পোৎশকশিং মরাং কায়না পৈরম্বা থেংনবগা লোয়ননা পোলুসন থোক্লে হায়বসি খঙনরে। পোৎশকশিং অসি ঐখোয়গী ফুদ চেনদা চঙলক্লি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা ঐখোয়না তৌফম থোকপশিং তৌগদবসি হৌজিক্কি হায়বসি মীয়াম্না কাউরোইদবনি। ঙসি ঐখোয়না এক্সন লৌখৎহৌদবা তারবদি তুংদা ঐখোয়না হেল্থকী প্রোব্লেম কয়া শোয়দনা মায়োক্লরক্লগনি হায়না দব্লিয়ু ঐচ ওগী ওফিসিএল অসিনা ৱার্নিং তৌখি।

# দিপ্লোমেটিক ষ্টেটসকা চান্নদবা থৌওং উৎলকপদগী ওষ্ট্রিয়ানা রসিয়ন দিপ্লোমেট মরি তান্থোকখ্রে

ভিএনা, এপ্রিল ৭ (এজেন্সী):

দিপ্লোমেটিক ষ্টেটসকা চান্নদবা থবক থৌওং কয়া চথরকপদগী ওষ্ট্রিয়ানা রসিয়ন দিপ্লোমেট মরি লৈবাক অসি থাদোক্তুনা চৎখিনবা ওর্দর তৌখ্রে হায়না মিনিষ্টর ওফ ফোরেন এফেয়র্সকী স্পোক্স পার্সন অমনা ফোঙদোকখ্রে।



ফোরেন মিনিষ্টরগী স্পোক্স পার্সন অলেকজেন্দর সালে-মবর্গনা শগোলশেল নুমিত্তা ফোঙদোরকখিবদা ভিএনাদা লৈবা রসিয়াগী এম্বেসিদা থবক তৌবা দিপ্লোমেট অহুম অমসুং সালসবর্গতা লৈবা রসিয়ন কন্সুলেট অমা লৈবাকপোকপা নুমিৎ ফাওবগী মনুংদা ওষ্ট্রিয়া থাদোক্তুনা চৎকদবনি।

য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগী লৈবাক খরনা চয়োল অসিদা মান্নবা এক্সন লৌখৎনখিবা মতুংদা ওষ্ট্রিয়ানা খোঙথাং অসি লৌখৎলকপনি। লৈবাকশিং অদুগা ওষ্ট্রিয়াগা মান্নদ্রিবদি দিপ্লোমেটশিং অদুবু তান্থোক্লিবদি রসিয়ানা য়ুক্রেনদা লান্দাবগীনি হায়না ওষ্ট্রেলিয়ানা পনখিদে।

স্পোক্স পার্সন অদুনা অতেনবা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি, মদুদি মীওই অদু মখোয়গী দিপ্লোমেটিক ষ্টেটসকা চান্নদবা মওংদা হায়বদি লৈবাক্কী অরোন অথুপশিং খঙদোক্ল বা হোৎনবনচিংবা তৌরমখি।

য়ুক্রেনগী লানগা মরী লৈননা রসিয়ন দিপ্লোমেটশিং তান্থোক্লবা ৱারেপ লৌখিবা ইয়ুগী লৈবাকশিংগী মনুংদা স্বিদেন, দেনমার্ক, গ্রিস অমসুং রোমানিয়া য়াওরি।

# লোক দাউন তৌবদগী সাংহাইগী রেসিদেন্টশিং চান থক্লবা পোৎলমশিং লৈরক্তে

সাংহাই, এপ্রিল ৭ (এজেন্সী):

চাইনাগী সাংহাই সিটিদা কোভিদ লাইচৎ কনখৎলকপদগী লোক দাউন থমদুনা ওথোরিটিশিংনা লাইচৎ অসিবু লাকশিন্নবা হোৎনরকপদা সিটি অসিদা লৈবা মীওই খরদি চান থক্লবা পোৎলমশিং লৈরক্তবগী অৱাবা মায়োক্লরে হায়না মিদিয়া রিপোর্টশিংনা হায়রি।

রেসিদেন্টশিং য়ুম য়ুমদগী থোকহন্দবগা লোয়ননা গ্রোসরি সোপ্পিংগুম্বা তঙাই ফদবা মরমশিংগা মরী লৈননা ফাওবা য়ুমদগী থোকপদা অথিংবা থন্মী।

শগোলশেল নুমিত্তা চাইনাগী খ্বাইদগী চাওবা সিটি অসিদা অনৌবা কোভিদ কেস ২০,০০০ রোম রিপোর্ট তৌদুনা রেকোর্দ ওইবা য়াবগী ফিভম লাকখি। সিটি অসিগী মীয়াম্না খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরি হায়বসি ওফিসিএলশিংনা য়াখি। তৌইগুম্বসুং মখোয়না ফিভম ফগৎহন্নবা হোৎনরি হায়খি।

অমরোমদা, অঙাংশিংবু কোভিদ পোজিটিব ওইবা মমা মপাশিংদগী তোঙান্না থম্বগুম্বা অকনবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎপা অসিনসু মীয়াম্বু খোইরাও খোইশাওহনখি। মতুং তাবদা সাংহাই ওফিসিএলশিংনা কোভিদ পোজিটিব ওইরবা মমা মপাশিংবু আইসোলেসন সেন্টরশিংদা লৈবদা মখোয়গী অঙাংশিংসু পুবা য়াহনখি।

কেস খুদিংমক আইদেন্টিফাই তৌদুনা আইসোলেসন তৌবা য়ানবগীদমক সিটি অসিনা য়ুমশকৈশ নুমিত্তা মাস টেষ্টিংগী অতোপ্পা রাউন্দ অমা চথবা হৌখি।

বিবিসিগী রিপোর্ট মতুং ইন্না কোভিদ পোজিটিব ওইরবা সাংহাইগী মীওইশিং লাইওং উৎত্রবসু নত্ত্রগা মখোয়গী লাইওংশিংদু অকনবা ওইদ্রবসু মখোয়গী য়ুমশিংদা মশানা আইসোলেসন তৌবা য়াহন্দে। মখোয়না তঙাই ফদনা ক্বারন্টিন ফেসিলিটিশিংদা চৎকদবনি।

তৌইগুম্বসুং ফেসিলিটিশিং অদু মী কা হেন্না চিল্লে হায়না প্রিদিক্টশিংনা ফোঙদোক্লরি। থা অমগী মমাঙদা সাংহাইদা অহানবা ওইনা ওমিক্রোন ভেরিয়েন্ট দিটেক্ট তৌখিবদা শুপ্পগী অকক্লবা কম্পাউন্দ খরদমক ক্বারন্টিন তৌহনখি। মদুগী মতুং ভাইরস শন্দোকপগী চাং ৱাংলকখিবগা লোয়ননা ওফিসিএলশিংনা হৌখিবা চয়োলদা লোক দাউন ইমপ্লিমেন্ট তৌখি।



লোক দাউনগী থৌরাং অসিদা সিটি অসি অনী থোক্না খায়দোকখি। শরুক অনীমক্তা তোঙান তোঙানবা থৌরাংশিং চৎনহনখি। সিটি অসিদা লৈরিবা মীওই মিলিয়ন ২৫ মক কোনশিন্নবগীদমক নিংথৌকাবা নুমিত্তা লোক দাউন অদু মতম কক্তনা শাংদোকখি।

সিটি অসিদা রেষ্টোরেন্ট চল্লাইদুনা লৈরিবা মীওই অমনা লোকদাউনগা মরী লৈননা ফোঙদোরকখিবদা ঐখোয়না কুমজা ২০২০ দগী কোরোনা ভাইরস পেন্দেমিক থেংনদুনা লাকখি অমসুং হৌখিবা চহী অনীগী মতম অসিদা ঐখোয়না অহোংবা কয়া থেংনখি।

মমৈথংদা ঐখোয় অমুক হন্না বিজিনেসরোমদা মায় ওনশিনবা ঙমদুনা শেল থুমগী থবক থৌরমশিং মহৌশাগুম পায়খৎপা হৌখি। মসিনা ঐখোয়গী ফিভম খরমখৈ ফগৎহনখি।

তৌইগুম্বসুং হন্দক্তা লাইচৎ কনখৎলকপদগী ওথোরিটিনা লোকদাউন থল্লকপদগী ঐখোয়গী বিজিনেস অমুক হন্না শিরকপগী ফিভম লাক্লি।